ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওক্টোবর ২৫, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২০৬শুবা মশীং

# পোলিটিকেল দিটেনীশিং বোন্দদা খূৎয়েক পীহনবা
## ফ্রীদম ওফ স্পীচকী রাইট খোঙ্গাওনবগী ময়েক শেংলবা খূদম

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ফাজিনখিবা পোলিটিকেল লীদরশিং আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী খোঙজং অমত্তা চঙশিল্লোই, ৱা ঙাঙবসু তৌরোই হায়বা বোন্দ অমদা খূৎয়েক পীহল্লে হায়রিবসিনা চুম্লম্বা তারবদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুরগী মপান্দা নুমীৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচে অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কাশ্মিরদা হন্দক্তা ফাজিল্লুবদগী থাদোরক্লবা নুপী লুচিংবী অনীবু কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজর (সী আর পি সী)গী সেক্সন ১০৭কী শেমদোক্লুবা ৱারোল ফাওবা বোন্দ অমদা খূৎয়েক পীহল্লে হায়রি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খায়দোক্লমদাইদা ফাজিনখিবা পোলিটিকেল লীদর পূম্নমক নৌনা শেন্নবা বোন্দ অসিদা খূৎয়েক পীয়ু য়াদ্রবদি থাদোক্তে হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। পোলিটিকেল দিটেনী পূম্নমকপু আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা ৱা ঙাঙবা নৎত্রগা খোঙজং চঙশিনবা তৌরোই হায়না লুপা ১০,০০০গী পর্সনেল বোন্দদা খূৎয়েক পীহনবগা লোয়নননা বোন্দদা য়াওরিবা ৱারোলশিং ঙাক্লা চৎহন্নবগী মতাংদা অতোপ্পা লুপা ৪০,০০০ স্যুরিটি ওই না দিপোজিট তৌহল্লি হায়রি। ওগষ্ট ৫ দা সেন্টরনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পীরম্বা "স্পেসল ষ্টেটস" লৌথোকখ্রবা মতুংদা পোলিটিকেল লীদর চা কয়ামরুম ফাজিনখিবনি। হৌখিবা চয়োল খরগী মনুংদা পোলিটিকেল লীদর খরা "বোন্দ" দা খূৎয়েক পীহল্লগা থাদোরকখি। বোন্দদা য়াওরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱারোলদি চহী অমা চুপ্পা অর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা ৱা ঙাঙলোই, অমদি খোঙজং চঙশিনবসু তৌরোই হায়বসিনি। মমাঙ চয়োলদা মীয়ামগী খোঙজং অমদা শরুক য়াখি হায়বগীদমক নেসনল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট ফরুক অব্দুলাগী মচলনুপী অমসুং মচানুপী ফারগা শ্রিনগরগী কোর্ট অমনা বেলদা থাদোরকখি। অব্দুলাগী মচলনুপী সুরাইয়া, মচানুপী সফিয়া অমদি অতোপ্পা নুপী ১১বু সী আর পি সীগী সেক্সন ১০৭কী মখাদা লুপা ১০,০০০গী পর্সনেল বোন্দ অমদি লুপা ৪০,০০০গী স্যুরিটিদা খূৎয়েক পীহল্লগা থাদোরকখিবনি। ওগষ্ট ৫দা অর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা ওথোরিটিশিংনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ঙাক্লবগী পান্দমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অহুম- ফরুক অব্দুলা, মেহবুবা মুফটি অমসুং ওমার অব্দুলা য়াওনা পোলিটিকেল লীদর কয়া ফাজিনখিবগী মনুংদা ফরুক অব্দুলাদি পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ)গী মখাদা বুক তৌখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা রাম মাধবনা হায়খি, ফাজিন্দুনা থল্লিবা কাশ্মিরগী লুচিংবশিংনা মীয়ামদা খূৎলায় পায়বগী ঈহৌ হৌনবা পাউজেল শন্দোক্লে। ওগষ্ট ৫দা অর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা শ্রিনগরগী টেগোর হোলদা পাঙথোকখিবা পার্টি ৱর্করশিংগী মীফম অমদা রাম মাধবনা হায়খি, মীওই ২০০-৩০০ খক ফাজিন্দুনা থম্বনা লৈবাক্কী ঈং-তপ্পা ফীভম কায়হন্দবা ঙম্লগদি মীওইশিং অদু মতম খরা শাংনা ফাজিন্দুনা থম্বদা অকায়বা লৈতে। কাশ্মিরি মীয়াম্না ঈং-তপ্পা অমসুং শেমগৎ-শাগৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনবদা অপনবা পীরকপা মীওই পূম্নমক ফাজিল্লগা থম্নবা জেল মরাং কায়না লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কোংগ্রেস অমদি অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংবু মরাল শীরদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হায়খি, মতম অমদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লুচিংবা শেখ অব্দুলাবু মরম ইচা চাদনা শাংলবা চহী ১১ জেলদা ফাজিন্দুনা থমখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা হৌজিক কাশ্মির তম্পাক্তা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিবু কোংগ্রেস অমদি নেসনল কনফরেন্সনা অরানবা মওংদা উহন্নবা হোৎনরে হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মতীক-ময়াই লৈরবা অমেরিকন কোংগ্রেসমেন কয়ানসু নুংনাংবা ফোঙদোক্লরক্লি। "হ্যুমেন রাইট্স ইন সাউথ এসিয়া : ভিয়ুজ ফ্রোম দ ষ্টেট দিপার্টমেন্ট এন্দ দ রিজন" হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা কোংগ্রেসনেল হিয়রিং অমদা ইন্দিয়ন-অমেরিকন কোংগ্রেসৱুমেন প্রমিলা জয়াপালনা হায়খি, মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি হায়রিবা ইন্দিয়ানা হ্যুমেন রাইট্সকী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। কাশ্মিরদা হৌজিক নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই কয়া চার্জ তৌদনা ফাজিনবগী থৌওং অসি মালেমগী চৎন-কাঙলোন্না য়াদে হায়নসু হাউস ওফ রেপ্রজেন্টেটিভসকী অহানবা ইন্দিয়ন-অমেরিকন লোমেক্কর অদুনা ফোঙদোকখি। কাশ্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়ানা লৌখৎপা থৌরাংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবা য়ু এসকী কোংগ্রেস ৱুমেন ইলহান ওমারনা হায়খি, হ্যুমেন রাইট্স অমসুং দিমোক্রেসিদা য়ূম্ফম ওইরগা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা ইন্দিয়াগা অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিনা ইন্দো-য়ু এস রিলেসনগী য়ূম্ফম ওইরিবা দিমোক্রেসিগী মগুণ হন্থহন্নবা হোৎনরে হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি। কাশ্মিরদা হৌজিক চৎথরিবা থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী তোঙান-তোঙানবা প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী মরাল শীনরকপসু য়াওরি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মরমদা কুপ্না নৈনরিবা এদভোকেট গৌতম ভাতিয়ানা 'দি ৱায়র' পাউচেদা হায়খি, "হাৎন-শুনবগী থৌইনশিন য়াওবা ৱারোল নৎত্রগদি কনাগুম্বা মীওই অমনা রেভল্যুসনরিগী ওইবা ৱাখল্লোন ফোঙদোকপদা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীরি। মরম অদুনা লন্নাই মীওই অমগী নীংতম্বদা অপনবা থোকহনগদবা মওংদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১০৭ শীজিন্নবা য়াদে। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা সেন্টরনা হৌজিক কাশ্মিরদা চৎথরিবা থৌওং অসি ফ্রীদম ওফ স্পীচকী রাইট খোঙ্গাওনবগী ময়েক শেংলবা খূদমনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী মরাল শীনরকপা ওইরম্বসু য়াই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মণিপুরগী লাই য়েকপা শাবগী লম্‌দা মীৎয়েং অমদি প্রোফেসন অসিবু শকখঙবীবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

মমাঙঙৈগী লাইওইখ্রবা লাই য়েকপা অমদি লাই শাবগী শিন্থাদা লৈবিরম্বা ওজা-গুরুশিংগী মফমদা কৎচবা ৱাহৈ পরেংনি। ঐখোয়গী পিক্লবা ষ্টেট অসিদা ওজা-গুরুশিং অসিগী আর্ট ৱর্কশিং অসি লৈরমদ্রগদি অমসুং নৈনরমদ্রগদি ঙসি ঐখোয় আর্টিষ্ট অমনি হায়না লৈরিবসি খরা ৱানা থোক্লমগনি। মরমদি লাই য়েকপা অমদি শাবা হায়বসি অরাইবা নত্তে, করিনো, করম হায়না তৌরিবজাৎনো, ওজা-গুরুশিংগী আর্ট ৱর্কশিংনা তাক্লি। লম্ অসিবু চাওখৎনবা পীবিরম্বা অচৌবা খুদোল অমনি হায়না লৌজে। ঐহাক্নদি থেংনজহৌদ্রবা, ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা ইম্ফাল আর্ট কোলেজবু লীংখৎপীরম্বা অমসুং প্রিন্সিপাল ওইনা থৌ পুবিরম্বা লৈখিদ্রবা ঐচ শ্যামো শর্ম্মনা লমদম অসিগী আর্টপু য়োকখৎপীরম্বা, চাওখৎনবা কন্না হোৎনবিরম্বদগী ঙসিদি অতোপ্পা য়ূমলোন্নবা ষ্টেটতগী ষ্টুদেন্টশিংসু কোলেজ অসিদা তল্লি অমসুং তম্বা লাক্নরি। ইরমদম অসিগী শক্লাইরবা সেনিয়র আর্টিষ্টশিংনা মীয়ামগী ওইবা প্লেটফোর্মদা কোলেজ অসি করম্না হৌরকখি অমসুং হৌজিক্কী ফীভম অসি য়ৌরকখি হায়না মীয়ামদা তাহনবীখিবা ঐখোয়গী চাউরবা হিষ্টোরি অমনি হায়না লৌজে।

আর্ট কোলেজ অসিগী মতাংদা খজিক্তং পঞ্জরবদা, কোলেজ অসি ঐখোয়গী হৌরকফমনি অদুবু আর্ট কোলেজ অমা ওইবগী অৱাৎ অপা লৈতবদি নত্তে, কোলেজ অসিগী লৈফম থোকপা সবজেক্টশিং হায়বদি পেন্টিং, গ্রাফিক, স্কলপচর, এপ্লাইদ আর্ট, দিজাইন অমসুং সিরামিক অসিনচিংবা সবজেক্ট ময়াম অসিগী ওজা ৱাৎপ্রা খঞ্জে। মপানগী আর্ট কোলেজশিংগা য়েংনরুরবদি ঐখোয়না য়াম্না শোত্থনা লৈবগী মমি তারি। মপানগী কোলেজশিংদা ফর্ষ্ট য়রদগী ফোর্থ য়র নৎত্রগা ফিফ য়রদা তাক্কদবা ওজা তোঙান তোঙান্না লৈ। মরম অসিনা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টনা সবজেক্টশিং অসিগী ওজা মতিক চানা হাপহন্নীংই অমদি কোলেজ অসি ঐখোয়গী ফিদম্নীংঙাইনি। হৌজিক হৌজিক আর্টকী লম্‌দা থৌ পাংবিরিবা Art & Culture dept. Govt. of Manipur, Manipur State Kala Akademi (Cultural agency), Arts Society Manipur, estd. 1972, Neo-gene, contemporary Artist, Manipur, Sharma Arts and Crafts House, Khongman অমদি R & V, Art House না লৌরিবা থৌদাং অসুক্কী মতিক চাউখ্র। হায়রিবশিং অসি লৈরমদ্রগদি মণিপুরগী মপান্দা আর্টসিগী লম্‌দা করি করম্বা খোঙচৎ চৎলি, ঐখোয়সু শরুক য়াবা য়াইনা হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ময়াম অসিগী মতেং য়াওদবা নত্তে হায়বসি ঐহাক্না খঞ্জে। লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিং অমদি এন জি ও (আর্ট) শিংনা শীন্দুনা আর্ট কেম্প অমদি আর্ট ৱার্কশোপ কয়াসু পাঙথোকখ্রে।

হৌজিক ইরমদম অসিদা লাই য়েকপগী অথোই অহেন তান্নবা লেপত্রি, নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লি। মসিনা তাকপদি প্রোফেসন অসিবু শকখঙবীবা অমসুং হীরম অসিগী চাও-খৎলকপগী অয়াঙবা খোঙথাং অমনি।

অরোইবদা, ঐনা হায়জনীংবদি নৌরিবা অঙাংশিংদগী শেমগৎপা মথৌ তাই হায়বসিনি। মসিগী মরমদি মণিপুরগী স্কুলশিং সী বি এস ঈ অমদি মণিপুর বোর্দশিংদা ফাইন আর্টস হায়বা সবজেক্ট অসি য়াওরি। সী বি এস ঈ স্কুলশিংদা সবজেক্ট অসিগী ওজাশিংনা তাকপী তম্বীরি। অমরোমদা, মণিপুর বোর্দকীসু সিলেবস লৈরে অদুবু মতিক চারবা ওজাশিংদি স্কুলশিংদা লৈত্রি হায়না খঞ্জে। মসিগী মরমদা আর্টস সোসাইটি, মণিপুরনা চাউনা থৌদাং লৌদুনা অমদি তকশিন্দুনা কয়ারক হীরম অসিগী ওজা লৌবীনবা লৈঙাক্তা অহৈবা কয়া পীশিনখি। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোরকপদি থেংনদ্রি। ইজরিবা ঐগী মীৎয়েংদা, লৈঙাক্লা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি অমসুং লৈঙাক্লা মসি পূম্নমক য়েংশিনবীনবা নীংশিংজরি।

*অদোমগী - সী ঐচ ললিট*

# নাগালেন্দগী ৱারোইশিন্দা মণিপুরনা করিগী তনিক-তনিক খাংলিবা

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

তোঙানবা ফিরেপ, তোঙানবা কন্সটিট্যুসন লৈবগী অয়াবা পীরম্বা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকপা তারবদি বোম পায়দুনা শান্নবগা পাঙ্খক ওইগনি। মসি অতৈ কনানসু হায়খিবা ৱা নত্তে হৌজিক্লা হাওস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবী হান্নগী জম্মু কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মহেবুবা মুফতিননি। লৌথোকউ-লৌথোকউ ঙম্মদি লৌথোকউ আর্টিকল ৩৭০। ঐখোয়দি তূম্মগা লৈগদ্রা? মদুবু হেক লৌথোক্লবা জম্মু কাশ্মীরদি নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরনি শোয়দনা। মসিসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবদুল্লানা হায়খিবনি। মহাকসু হাওস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লি। আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লবা হোৎনরোইদবনি। জম্মু কাশ্মীরগীসু তোঙানবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মীরগী অসিগুম্না থমগদবনি। মসিনা অমুক হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্লা হাওস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবা ওমর অবদুল্লানা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লিঙৈদা হায়খিবনি। ইন্দিয়াদগী তোকখায় তাবগী মরমদা পীখিবা অকনবা ৱারোল ঙাক্তনি। তোঙানবা ফিরাল অমদি তোঙানবা কন্সটিট্যুসন জম্মু কাশ্মীরগী লৈরম্বদু লৌথোকখ্রে, লৈত্রে। ইন্দিয়াগী অপূনবগী শক্তমদা মচেৎ-মকায় তানা কায়বা য়াবা মওং অমা পাকিস্তান অমদি জম্মু কাশ্মীরদা লৈবা পাকিস্তান্দা তিন্নিংবা মীওই কয়ানা থবক কয়া চত্থরকপদা আর্টিকল ৩৭০ (তোঙানবা ফিরাল, তোঙানবা কন্সটিট্যুসন) না মতেং পাংই হায়বদগী মসিবু লৌথোকখিবনি।

নাগাগী ওইবা লূপ খরনা অৱাং নোংপোক্তা লৈবা নাগাশিংগী তোঙানবা ফিরাল, তোঙানবা কন্সটিট্যুসন পীগদবনি হায়রিবসি ওইথোক্কদ্রা? মদু য়াররোই হায়বা থেংনরে ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা। মসিদসু নত্তে নাগাশিংতগী ওইবা লম অমসু শেমগদবনি হায়রি। য়াম্না মরুওইরিবদি ইন্দিয়াগা নাগাশিংগা পূন্না লৈবাক ঙাকমিন্নগদবনি, নাগাশিংনা ইন্দিয়াগী মখাদা লৈগদবা নত্তে হায়বসিনি। ইশম-শম্না হায়রবদা আর্টিকল ৩৭০ চৎনদুনা লৈরম্বা হান্নগী জম্মু কাশ্মীরগী মওং অদু নাগাশিংসু তৌগে হায়বনি। জম্মু কাশ্মীরগী চৎনদুনা লৈবদুদা মখোয়গীসু পীয়ু হায়বা ওইরমগনি। করিগুম্বা য়ারোই হায়রগসু খুদম ওইনা জম্মু কাশ্মীরগীসি পীরমগনি অমদনা পীরগা অমদনা করিগী পীদবা হায়দুনা ওনখৎলমগনি। খুদম অমা পীরক্লবনিনা খুম্বসু ৱারমগনি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টসু। শম্না হায়রবদা পাঙ্গল ইথোক থোক্তবা মতাং হায়বদুনি। হৌজিক্তি জম্মু কাশ্মীরদা তোঙানবা ফিরাল তোঙানবা কন্সটিট্যুসন লৈরম্বদু লৈত্রবনিনা নাগাশিংনা খুদম পীনীংঙাই লৈত্রে। মসিবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়ারোই ফোঙনা হায়রকপসিসু কাশ্মীরগী লৌথোকখ্রবা মতুংদনি। মমাঙদদি য়ারোই ফোঙনা হায়বা থেংনদে মীয়াম্না। হায়রম্বদি য়াই নাকল অনী ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবা মতমদা। করিগুম্বা অমদি উবা ফংলকই মদুদি নাগাগী ৱারোইশিন থুনা পুরক্লবা হোৎনরকপসি কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদগীনি। থৌদোক/থবক অসিগা মীৎয়েং অসিগা মপা চানরম্বসু য়াই মরমদি ইচা-চানদনা। অদুবু য়েংবা য়ারিবদি ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট নাকল অনীনা সাইন তৌনখিবসি কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দনি। কুইরে চহী মরি হেনখ্রে। ৱারোইশিন পুরক্কে হায়রবদি য়াবু য়াবজাৎনি করিনা হায়ববু ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিংদু অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবগী লম্বী য়াম্না নকশিল্লে হায়নখি। নাকল অনীমক্লসু য়াম্না থাগৎনখি। অদুবু হৌখিবা চহী মরিদু তুমিন্না লৈখি করিগুম্বা মরম অমা লৈরবদৌনা। কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা ঙাইৱ্রা হায়বসু খন্ননীংঙাই ওই। ওইরম্বসু য়াই ওইরমদবসু য়াই। হৌজিক্তি ইন্দিয়াদা ফিরাল অমা, কন্সটিট্যুসন অমা লৈরে অনীশুবা য়াদ্রে হায়বদু উৎখ্রে। মসিগী ফীভমসিদা অনৌবা করম্না পীরক্কনি হান্নগীদুফাওবা থুপচিনখ্রবদুদবু। অনৌবা অমমুক পীগদবা লৈরবদি হান্না অমদা পীরম্বদু লৌথোক্লল্লোই। শম্না হায়রবদা মদুগী পোৎতু শুক্লে-লৈহনবা য়াদ্রে হায়বনি।

নাগাগী ৱারোইশিন পুরকপা তারবদি করি করিদা য়ানবা পুরক্কদৌরিবজাৎনো? কনাসু খঙদে।

চহী মরি হেনখ্রবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা করি হায়রি, করি ইরি হায়বফাওবা খঙবা ঙমদবদুদা মসিবুদি করম্না খঙলুগনি। অদুবু খঙলসু খঙদ্রসু ময়েক শেংবা খরদি লৈরে মদুদি ফিরাল, কন্সটিট্যুসন অমদি নাগা তাবা লমশিং পূনশিনবগী ৱাসিমদি ইন্দিয়ানা কয়া য়ানীংগনি হায়বসিমদি থাজদ্রে। অদুবু হয়েংগী ৱা কনানা খঙবা ঙম্বা। অদুবু হয়েং অয়ূক নুমিৎ থোক্লক্কনি হায়বসিমদি খঙই। নুমিৎ ফাওবা থোক্লক্ত্রবদি ৱা লোইরে। নোংমৈ চীংদোন্দা মরৈ তৌদুনা মতম থিন্থনবা হোৎনবা য়ারোই হায়বফাওবা য়ৌখ্রে। করি করম্বা মায়কৈদা থৈদোক-থৈজিন তৌরগা ৱারোইশিন পুরকখিবা য়াই হায়বসিসু খন্নবা য়াই। মণিপুরলোমদা করি করম্বা থবক পায়খৎলকপা য়ারিবজাৎনো? মণিপুর শুকয়াও হেক য়াওদ্রবদি য়াম্না ফৈ। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমসিদদি মণিপুরসি খরদি চয়েৎ-খোয়েৎনগদবা মাল্লি। গ্রেটর নাগালেন্দগী ৱারী য়াওদ্রবদি মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বগী ৱাফমদি লৈররোই। অদুবু ঙমখৈগী অহোংবদি লৈতবা হায়বদি মণিপুরগী লম মচেৎ অমত্তা নাগালেন্দদা তিন্দ্রবসু মণিপুরদা নাগা তাবা মফমদা অহেনবা ওটোনোমি পীরক্কদ্রা হায়বসিনি কিবা ফাওনরিবসি। অমরোমদা, মদুদি মনীং তম্বা তোঙানবা লৈঙাক অমগা মান্নবফাওবা য়াই। মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী মীৎয়েং ৱাংমদা লৈবা য়াবা অপিকপা বোদি অমা লৈরক্লবদি মীয়ামদি নিংদোল পোমগদবা মাল্লি। লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অনেম-অৱাং খায়বা/অচান-মিরাই নাইবগী ৱারৌবা অমা লৈরক্কদবা মাল্লি। মদুনা মরম ওইরগা নকশিন্নৌ য়াদবগী ঈচেল অমা চেল্লক্কদবা মাল্লি। ময়ি চৎলবা পোৎশক অমগা পাঙ্খকনি। হেন্না শকখঙবীবা, খুদোংচাবা হেন্না পীবা ফুরুপ অমখক্তং খনগৎলগা তৌরকপা হায়বসি অতোপ্পা ফুরুপশিংদুনা কৈদৌঙৈদসু পাল্লোই। শকখঙবীবা, খুদোংচাবা পীবা, য়োকখৎপীগদবা ওইরবদি লৈরিবা ফুরুপ পূম্নমক লোয়না চপ মান্ননা তৌবিবা ফৈ। মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক লোয়না হীরম খুদিংমক্তা শোত্থবা ঙাক্তনি। নাগা ফুরুপ্না শোত্থহৌরগা অতৈ ফুরুপ্না হেন্না চাওখৎখ্রগা নুংঙাই য়াইফৱব্রা হায়বদুদি নত্তে। অতৈ ফুরুপ ময়াম্বু নাথৈবিরল্লবদি ৱা ঙাঙজদবা, দিমান্দ তৌদবা, তুমিন্না লৈবগীরা? দিমান্দ তৌবা, তুমিন্না লৈতবা কাঙবুগীদি পীফম থোকপ্রা?

হৌজিক ঐখোয় করি তৌবা তাই। ৱা তানদুনা লৈবগী মতমসু থেংলে হায়বা য়াই করিগুম্বা ওক্টোবর ৩১গী মনুংদা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি। খোঙজং য়াম্না কন্না চঙশিনবগী কান্নবনা করি ওইবা য়াই। অমরোমদা করি করম্বা মওংদা চঙশিল্লকপা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী নাকোং য়ৌহনগদগে হায়বসিনি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট হায়বা অমা শেমদুনা থমখিবা কুইরবনিনা অরোইবা ফাইনেল এগ্রীমেন্টকী ৱারোল অদুদি থোয়না হাপচিনগদবা লৈরল্লরোই। অমরোমদা ৱারোইশিন থুনা পুরক্লগনি হায়নবসু তারবনিনা ফাইনেল এগ্রীমেন্টকী ৱারোল কয়া শেম্বা লোইরল্লনি হায়বসিদা চিংনবা লৈতে। মতাং অসিদা শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াবগী তাঞ্জা অদু লৌবা ঙম্নবা হোৎনবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে। মদুগী থবক্তুদি কনানা তৌবা তারি? মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্টনা পূন্না লিংজেল মান্ননা লেপমিন্নবা মথৌ তারে। হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম তোয়না পাউ ফাউদোক-ফাউজিন তৌনবা য়াম্না ফগনি। গভর্ণমেন্ট মীয়ামগীদমক্তা শেম্বনি। মীয়াম্না গভর্ণমেন্ট শেম্নবা মীহুৎ থাগৎপনি। অনী অসিনা অচুম্বা লম্বীদা লিংজেল মান্ননবু লেপমিন্নরবদি থবক খুদিংমক মায় পাকপা ঙমগনি। মতাং অসিদদি গভর্ণমেন্ট অমদি মীহুৎ হুম্ফু অসিদা ইন্থোকপদি চুমগনি নীংদে। গভর্ণমেন্ট মীয়াম য়াওদনা হিংবা ঙম্বা নত্তে। ফুরুপ অমখক্কী ৱাফম নত্তবনিনা ফুরুপ খুদিংমক্কী মীয়াম য়াওনা লিংজেল মান্ননা লেপমিন্নবা মথৌ তারে। ইহান হানবদা ফুরুপ মশেল পাউ ফাওদোক্কদুনা পূনশিন্নবা অমা মথৌ তাই। হৌজিক্তি তুমিন্না লৈবনা অফবা ওইররোই। তৌবতদি য়াম্না লৈবাক মচা তানা থবক পায়খৎপদি ফৈ হায়নীংই।

ৱারোইশিন পুরকপদা ফুরুপ পূম্নমক্তা কায়দনবা খোঙথাং কয়া থোক্লা লৌখৎলম্বা য়াই হায়না নীংই করিনা হায়ববু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট ফুরুপ পূম্নমক্কীনি, অচান মীরাই নাইবা নত্তে। চহী কয়াগী মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা ফুরুপ পূম্নমক্কী অপাম-পামদা ৱা তাখ্রে। মীয়াম্নসু তৌহন্নীংবা-তৌহন্নীংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টসু হান্না খঙবা চাংদগী মীয়ামগা হকথেংননা উনদুনা ৱারী শাবদগী হেন্নসু খঙখ্রে। অদুনা ফুরুপ পূম্নমক্লা য়ানগদবা ৱারোইশিন লাকপা ওইসনু। মীয়ামগী ৱা তাখ্রবনিনা ৱারেইশিন অসিদি নাগাশিংখক্তগী ওইফম থোক্তে, ফুরুপ পূম্নমক্কী ওইফম থোকই। ●

# মণিপুরীশিংগী ৱাখল্লোন ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙবীফম থোকই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুরীশিংগী 'অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই' হায়বা ৱাহৈ পরেং মতেকসিগী ৱাহন্থোক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ময়েক শেংনা খঙবীফম থোকই। মণিপুরীশিংনা মহৌশানা মশাগী মরমদমগী ঙমখৈ ঙাকচদুনতা লাকখি। ঙসিসুনি, মণিপুরগা বর্মাগা লোন্নরিবা মফম খরদা বাউন্দরিগী য়ূম্বীশিং মফম-মরাং খঙদনা, মণিপুর লোম থংবা শরুক্তা ঙমখৈ হেঞ্জিন্না য়ুংশিল্লকই হায়বগী মতাংদসু ৱাথোক লোইদ্রিবসিনি। হীরমসিদা মণিপুরীশিংনা থিজিনবা লেপত্রি। অদুম ওইনমক, ৱাফমসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী বাউন্দরি অমা ওইনা অচুম-অরান থিগৎনবগী তেকচাক খুদিংমক লৌখিবনা, মণিপুরীশিংনা হীরমসিগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াকা য়েংদুনা মতম খরদং ঙাইরিবা শোয়দনা ওইগনি। নাকল অমরোমদা, হৌজিক-হৌজিকমক ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি নাগালেন্দ ষ্টেটকী লালহৌলূপ ওইরিবা এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা চত্থরিবা ইন্দো নাগা পিছ টোককী মতাংদসু, মণিপুরগী শক্তম কায়রকপা য়াবগী ফীভমশিং লৈবনা, থৌদৌসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরীশিংগী ফীভম মাঙজৌননা হান্না, ময়েক য়াম্না শেংনা অমুক্তং খঙদোকপীহৌবা মথৌ তশেংনা তাই। হৌজিক চৎলিবা থাসিগী অরোইবা নুমিৎতা অরোইবা য়ান-চেরোল লাউথোক্তুনা নাকল অনীমক্কী ওইবা খূৎয়েকশিং পীনরগনি হায়বগী ৱাফমশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রে। অদুবু, হৌজিক-হৌজিকমক এন এস সী এন (আই-এম) গা ইন্দো নাগা পিছ টোক চত্থমিন্নরিবা ইন্দিয়া লৈঙাকসিনা, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমশিংসিগী ৱাফমদি মচেৎ অমা ফাওবা পনবীরকপা লৈত্রি। পূম্নমকসি ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাকসিনা ময়েক শেংনা খঙবীরম্ফম থোকই।

হুন্নরবদি লৈতুম ৱাত্তে হায়বগী মতাগুম অমদি লৈতোন শরূ পান্দবগী মতৌগুম, পংঙাঙ ঙাঙনবগী থৌদৌশিং ওইনদি লৌহন্নীংদে, - মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইমিন্নরিবা, মণিপুরদা লৈরিবা নাগা ইচিন-ইনাওশিং মণিপুরগী নাগাশিংনি। য়েলহৌমী হায়বা ৱাহৈসিনা তাক্লিবসি, মণিপুরগী নাগা ইচিন-ইনাওশিং, মণিপুর হায়বা লমদমসিনা হৌদোক্লকপদগী হৌনা মণিপুরদা অদুম্মক লৈমিন্নরক্লিবা কাঙবুশিংনি হায়বসিনি। মসিমক্লা চুম্লমদ্রবদি, মণিপুরগী পুৱারীদা চীংমী-তম্মী অনী মচিন-মনাওনি হায়বা ৱাহৈসি করম্না তারমগনি? পূম্নমকসিগী ৱাংমদা এন এস সী এন (আই-এম) গী ৱাখল্লোন্না পুমতোপ-তোপ্পা অমরোমদা ওই। মণিপুরগী নাগা তাবা মফম খুদিংমক পূনশিন্দুনা অপূনবা নৎত্রগা অনৌবা নাগালেন্দ অমা শেমগৎকনি হায়বা ৱাখল্লোনসি চৎনবা য়াগদবা ৱাফম নত্তে। মৈতৈশিংনসু মৈতৈ তাই হায়দুনা অসামগী মৈতৈ তাবা কছার দিষ্ট্রিক্টকী লম পূম্নমকসি মণিপুরদা হাপচিল্লগা মৈতৈশিংতগী ওইবা অনৌবা লমদম অমা শেমগৎচগে হায়বদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়ারক্কদৌবা মান্দে। থৌদৌসিমক্তা এন এস সী এন (আই-এম) গী থৌদৌসিগা করি খেন্নরি? পূম্নমকসি খঙলিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙনা-খঙনা করিগীদমক, এন এস সী এন (আই-এম) গী থৌরাংসিবু মায় পাকহন্নবা শীনবীগদৌরিবনো? অমরোমদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনবীখিবা মতমদা, মণিপুরগী নাগা তাবা লম মখৈসি মণিপুরগী বাউন্দরি মনুংদা লৈরমদবা নত্তে। লৈরম্লগা করিগী হৌজিক খক্তদা, তোখায়না খায়দোক্তুনা তোঙানবা নাগালেন্দ অমগীদমক এন এস সী এন (আই-এম) গী মখূত্তা শিন্নগদৌরিবা? মতাংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা প্রি-মর্জর এগ্রীমেন্টকী ৱাফমশিংসু নীংশিংবীবা চুমগদ্রা খল্লি। এন এস সী এন (আই-এম) গী মায়কৈদসু, - 'মণিপুরগী নাগা তাবা লম মখৈ' হায়রিবসি, ইন্দিয়ানা লৌশিন্দ্রিঙৈ মমাঙদা মণিপুরগী নাগা তাবা লম মখৈসি নাগালেন্দগী ওইরম্বরা অমসুং মতমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমশিংদু নমদুনা মণিপুরদা পূনশিনখিব্রা হায়বসি হংনীংঙাই ওই। লৈরম্লবদি মণিপুর ষ্টেটতগী নাগা তাবা লম মখৈ লৌথোক্লুগা নাগালেন্দ ষ্টেটতা হাপচিন্দুনা নাগালিম কৌবা, অনৌবা নাগাশিংতগী ওইবা লম অমা শেমগৎপগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা করম্না এন এস সী এন (আই-এম) না ঙংলুরিবনো অমসুং মঙলানসি মতৌ করম্না মঙলক্লিবনো? চুম্মী, এন এস সী এন (আই-এম) না ৱাফমসি কুইরবা মতমগী মমাঙদগী হৌনা মঙলক্লবা মঙলান্নি হায়বীরকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং মসিদি হিষ্টোরিগী ৱাফমনি, হিষ্টোরিগী ৱাফম্বু পুথোক্তুনা হৌজিক্তা নৌহৌনা খন্ন-নৈনবা হায়বসি অচুম্বা থৌদৌ নত্তে। মালেমগী ওইনা চৎনদবা ৱাফম অমনি। ফীভমসিমক চৎনরবদি মালেমসি অকায়-অতোয়শিংতনা পীক থন্না থোক্লগনি অমসুং লোইশিন-খমজিন্নবা হোৎনবগী লোইবা খক নাইররোই। ৱাফমসিদা করিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়াহনগনি হায়বগী ফিরেপ লৈরবদি, হৌজিক পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাকসি শুপ্নতগী নাকল নাম্মা খক্তদা য়েংলগা চৎপা লৈঙাক অমা হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইগনি। ফীভমসি তশেংনমক থোক্লবদি সিভিল ৱার হায়বদুদি শোয়দ্রবগুম্বনি। ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এন এস সী এন (আই-এম) গা পূন্না চত্থমিন্নরিবা ইন্দো নাগা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকত্রিঙৈগী মাঙওইননা, ৱাফমসিদা মণিপুরীশিংগী ফিরেপ করিনো হায়বদু মাঙজৌননা ময়েক শেংনা খঙদোকপীহৌফম থোকই।

ষ্টেট নৎত্রগা টেরিটোরি কয়ামুক্লা পূনশিন্দুনা শেম্বা লৈবাক্কী লৈঙাক অমা হায়বসি, লৈবাক্তুবু ঙাক-শেল্লিবা লৈঙাক্তুনা মতম লৈবা খিবিক্তা শুপ্নগী ষ্টেট নৎত্রগা টেরিটোরি অম'নিখক্তগী ওইবা ৱাখল্লোন্না মাঙজিন থারগা চৎপা হায়বসি খক তৌনদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু মসিমক তৌরক্কনি হায়বমক্তি থাজদে। অদুম ওইনমক, এন এস সী এন (আই-এম) গা লোয়নননা শানরিবা ৱারীসিগী ৱারোইশিনগী মীৎকুপ য়ৌশিল্লকপনা জাৎ-জাৎকী ঈ-পাউশিংদি মীয়াম্না অসুক্কী মতিক তানৈ। তানরিবা ঈ-পাউশিংসিসু অয়াম্বনা মিদিয়াগী থোঙদগী ওইবনা চুম্লম্লোই খক হায়রুবসু ঙমদে। মমাঙথক্তসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এন এস সী এন (আই-এম) গা য়ানদুনা লেপখিবা সিজ ফায়র তৌনবগী ৱারেপতসু নাগালেন্দগী লালহৌলূপ ওইরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী ৱাফমদা মণিপুরগী শরুক য়াওশিল্লকপদগী অচৌবা ৱাথোক ওইনদুনা মীশি-মীনা কয়ামরুম থোক্লুখ্রে। মীচম ১৮গী পুন্সি মাঙহনখ্রে। মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদৌবা থৌদৌনি। ফীভমসিমক্লা, ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এন এস সী এন (আই-এম) গা লোয়নননা লেপমিন্নরক্কদৌরিবা ইন্দো নাগা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিনগী থবকসি, ইখঙ-খঙহৌদনা কাশ্মীরদা থোকখবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকপগী থৌদৌগুম খংলাক-খংজিন্দা পামদবা ৱারেপশিং য়াওশিল্লক্লবদি চিংনদবসু ঙমদ্রি। থৌদৌসিমক থোকচিল্লক্লবদি করি ওইগনি হায়বসি মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুরগী অপূনবা মীয়ামসিনা শেম শাদুনা লৈতবা য়াদ্রিবা ৱাফম অমা ওই। হন্দক্কী মতাংসি, মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না ক্রুসিএল ওইবা পেরিওদ অমনি হায়বসি মীয়াম্নসু অদুম্মক লৌনরম্লগনি খল্লি। তানফমসিদা মণিপুরদা লৈরিবা চীংমী-তম্মী পূম্নমক্লা ঈংনা ৱাখল ফাথদুনা অমসুং অপূনবগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্থমিন্নরগা, তৌবা য়াবা খুদিংমক খুদক্তা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা খন্নমিন্নহৌবা ফৈ। তাঙলবা তাঞ্জাসিদা মণিপুরগীদমক মাঙজিন থানা হীরমসিগা মরী লৈননা চোংথোকপীদুনা চেন-চোংবীরিবা অমদি খন্ন-নৈনবীদুনা শিন্থা পাঙবীরিবা মণিপুরগী সী এস ওশিং, ক্লব - ওর্গনাইজেসনশিং খুদিংমকপু মণিপুরগী অপূনবা মীয়ামসিনা থাগৎপা ফোঙদোকফমসু থোকই।

অরোইবা ওইনা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দো নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন লাউথোক্কনি হায়বা নুমিৎ ফাওবা থারবা মতমসিদা, মণিপুর মীয়ামগী মায়কৈদা অচুম্বা মীৎয়েং খরদংদি য়েংহন্নীংই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মমাঙথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকপীখিবা, ইন্দো নাগা পিছ টোকসিগী অরোইবা ফিরেপ লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী ষ্টেক-হোলদরশিংগা হান্না শোয়দনমক্কী উনদুনা খন্ন-নৈনমিন্নগনি হায়বা ৱাফমদু খক কাউহঞ্জনীংদে। তেল্লবা মতমসিগী মনুংদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱাফমসিমতং কাউথোকপীদনা থবক ওইনা উৎপীরবদি মণিপুর মীয়ামগী পূক্নিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরীশিংবু কাউবীদ্রি, থাজবসু থম্বীরি অমসুং নুংশিবীরি হায়বশিংদুগী অচৌবা খুদমসু ওইহৌগনি। পূম্নমকসি মপুগী থৌজাল হায়বদুনি। খোঙলগবুদি শোয়দনমক্কী ইখঙ-খঙনরগদৌবা ৱাফমশিংনি। মসিগীদমক মণিপুরগী মীয়াম্না ঙসিদি কয়াদা পূক্নিংদা লাংতক্লবা ফাওরিবা? পূম্নমকসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মপূক্নিংদা ফাওরিগদ্রা হায়বসি তশেংনা ঙসিদি ৱাহং অমা হায়বদু ওইরক্কদৌরে। অদুম ওইনমক, মণিপুরগী মীয়ামগী পূক্নিংদদি পূম্নমকপু থাজবদুদি থম্মীন্নখিসি। হৌজিকসু ঙাইরি, মখা তানসু অদুমক ঙাইমিন্নখিসি।

তাইবঙ শেম্বীবা মপুগী মফমদা. ... - "লাক্কদৌরিবা ইন্দো নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিনসিনা, পূম্নমক্কী মফমদা তেক্তা-কায়দবা হায়বদু ওইহনবীয়ু, শেম্বীবা মপুনা পীনবীবসু ওইরসনু, অমুক্কসু নৌহৌনা মণিপুরগী মীচম মীয়াম খুদিংমকপু অশাওবগী মৈরীনুংদগী কনবীবসু পীনবীসনু"। ●